**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 21-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ১১ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ ঙসি পাঙথোকরি। চহি অসিগী হিরমদি- যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ হায়বসিনি।

মণিপুরদসু নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকরি।

২) মণিপুর পুলিসনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি ফারে।

অমসুং

৩) মনিপুরদা ঙরাং ফাওবদা কোভিদ নাইন্তিন পোজিটিভ ওইবা মশিং ৮২ শুরে।

------

যোগ ঃ ১১ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ ঙসি পাঙথোকরি। চহি অসিগী হিরমদি- যোগ ফোর ৱান আর্থ, ৱান হেলথ হায়বসিনি।

অন্ধ্র প্রদেশকী ভিসাখাপত্মগী আর.কে. বিচতা পাঙথোকপা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াখি। আর.কে. বিচকী কিলোমিতর ২৬ পাকপা সমুদ্র খোঙবানদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মীওই লাখ ৩ হেনবনা শরুক য়াদুনা গিনিস ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমবা হোৎনখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী আয়ুস অমসুং হকশেল অমদি য়াইফ য়ুম্বালগী রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাও যাদব অমসুং মুখ্য মন্ত্রি এন. চন্দ্রবাবু নাইদু শরুক য়াখি। ভারত নেভিগী পার্সোনেল লিশিং ১১ হেনবসু ঙসিগী পালন থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

মালেমগী যোগ নুমিৎকা মরী লৈননা উধমপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ্ শরুক য়াখি।

থৌরম অসি দিপার্টমেন্ট ওফ যোগ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ডাঃ কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র সিংহ্ য়াওনা য়ুর্নিভর্সিতি অসিগী ওজাশিং শরুক য়াখি। ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদসু নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরম লাইনিংথৌ অমুদোন যোগ সেন্তরনসু শগোলবন্দ তেরা অমুদোনদা লৈবা সেন্তর অসিগী শনাখ্যা মচা যোগ শঙলেনদা পাঙথোকখি। মদুদা যোগগী কান্নবশিং মীয়ামদা খঙহান্নবা হোৎনরিবা যোগ ইন্সত্রক্তর নোংথোম্বম লাখেন্দ্র সিংহ্না যোগ তৌবনা পুকিং হকচাং ফনা থম্বা অমদি অফবা ৱাখল খন্দুনা ঐখোয় পুনশিন্নবগী কান্নবশিং হায়বসিদা ৱা ঙাংখি।

পুলিস (এল)ঃ  মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবা লালহৌবা মরি ফারে। মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ককচিং জিলাগী ককচিং তুরেল ৱাংমদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফারে।

পুলিসনা তেংনৌপল জিলাগী বোর্দর পিল্লর ৭৪ অমসুং ৭৫ পরিংদগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা অমসুং পি.এল.এগী মীওই অমসু ফাখি।

জিরিবাম জিলাগী কমরংগা খুলদা থি হুন্বগী থবক চথুবদা এন.এস.সি.এন(নিক্কি-সুনি)গী মীওই অমসু ফাখি। মহাক মীফা মীপুন তৌবা অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

কোভিদ (এল)ঃ   ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা মীয়ামা কোভিদ নাইন্তি টেষ্ট তৌফম অমা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা হাংলে। কনাগুম্বশিংনা কোভিদ নাইন্তিনগী চিংনবা লৈরবদি মফম অসিদা লাক্কুনা টেষ্ট তৌবীনবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল

অমনা হায়রি। মনিপুরদা ঙরাং মীওই ২৯ নৌনা কোভিদ নাইন্তিন পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং পুন্না ৮২ শুরে। মসিগী মনুংদা মীওই ৫ নাবা ফখ্রে।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ৪৬ টেষ্ট তৌবদা ২২ কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইরম্বা থেংনখি। ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ৬, থৌবালদগী মীওই ১ য়াওনা মীওই ২৯ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

হৌজিক হৌজিক লায়না অসিনা নারবা মীওই ৭১ হোম আইসোলেসন তৌদুনা লায়েং চথরি।

ত্রেনিং (এল) ঃ রাজ্য সরকারগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগনা শিন্দুনা ঙরাং নোনে জিলাগী চরোই চাকোৎলোং পার্ট টু কম্ম্যুনিতি হোল অমসুং তুপুলদা, তমেংলোংগী কোমলা মরাং কায়না পুথোকবা অমদি য়োংচাক থাবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু এম.এল.এ- দিংগাংলুং গাংমৈগী মীৎয়েং মখাদা ইন্তিগ্রেতেদ মিসন প্রোজেক্ট এক্সন ফোর কম্ম্যুনিতি ত্রান্সফোর্মেসন (ইম্পেক্ট)কা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা নমদুনজাং, তুপুল অমদি তাওকোমজাং খুলদগী লাকপা লৌমী কয়ানা শরুক য়াখি। লোয়ননা লৌমীশিংদা কোমলা চারা য়াওনা প্লান্টিং মেটরিয়েলশিংসু য়েন্থোকখি।

বিষ্ণুপুর (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী বুথ লেবেল এজেন্ট খন্নবগী মতাংদা মীফম অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিং, এস.দি.ও, এস.দি.সি অমদি ইলেক্সন ওফিসারশিংসু শরুক য়াখি।

ওজা (এল)ঃ  মণিপুরদা লৈরিবা সরকারগী অমদি গভর্নমেন্ট এদেদ কলেজশিংগী ওজাশিংগী এমফিল্ড অমদি পি.ঐচ.দি দিগ্রিশিং নৌনা য়েংশিন্নবা রাজ্যগী দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এন্দ টেকিকেসন ইদুকেসন্না য়ুনিভর্সিতি এন্দ হায়র ইদুকেসনগী দিরেক্তরদা খণ্ডহনখ্রে।

মেঘালয়গী চন্দ্র মোহোন ঝা (সি.এম.জে) য়ুনিভর্সিতিদগী এমফিল্ড অমদি পি.ঐচ.দি ফংলকপা ওজাশিংগী দিগ্রিশিং নৌনা য়েংশিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা ইং কুমজা ২০১৪ গী মার্চ ৩১ দা তাখিবা রাই অমগী মতুংইন্না থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।  হিরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্য সরকারনা ঙসি ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোক্তুনা থবক অসি পায়খৎনবা খণ্ডহনখ্রে। মরম অদুনা সরকারগী অমদি গভর্নমেন্ট এদেদ কলেজশিংদা ওজা ওইরিবশিংনা সি.এম.জে. য়ুনিভর্সিতিদগী এমফিল্ড অমদি পি.ঐচ.দি দিগ্রি ফংলবশিংনা মখোয় মখোয়গী প্রিন্সিপালশিংগী খুথাংদা মশা মশাগী দিগ্রিগী অকুপ্পা মরোলশিং মথং থাগী ১০ ফাওবদা দিরেক্তরদা পীশিল্লক্কদবনি। লোয়ননা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি অমসুং মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিগী ওইনসু হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী সার্তিফিকেটশিং য়ৌহল্লক্কদবনি হায়রি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মখোয় মখোয়গী দিগ্রিশিংগী সার্তিফিকেটশিং পীশিল্লক্তবদি ওজাশিং অদু এমফিল্ড নত্রগা পি.ঐচ.দি দিগ্রি ফংদে হায়না লৌগনি হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেন্তরনা সুগী মখাদা লৈরিবা কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপকী লুচিংবশিংগা ফ্রি মুভমেন্ট য়াহন্নবা ৱারী শান্নরি অমসুং জয় কিষান, জয় জৱান হায়নরবসু মণিপুরদদি কিষানদা নোংমৈ কাপ্লকপদা জৱান্না তুমিন্না য়েংদুনা লৈরি হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ট্রান্সফোর্মর চাকখিবদগী শওম্বুং পি.ঐচ.সি কেন্দল থাল্লগা লায়েংলি হায়বা পাউ অসিনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তাঙ্খুল কতমনাও শকলোং (টি.কে.এস)না প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু হৌজিক পায়খৎলিবা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক লেপ্পীনবা তকশিনখ্রে অমসুং জোমি কাউন্সিলনা হৌজিক চখরিবা টোটেল সটদাউন হন্দোকবা আপীল তৌরক্লি হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পুং ২৪ গী মনুংদা ২৯ কোভিদ পোজিতিভ ওইখ্রে অমসুং লমনুনথেমগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা কোকোমি অমদি অমুকোনা লৈঙাক্তা লৌ উবা মতম ওইবনা লৌমীশিং ঙাকপী শেনবীনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অন্সমনা ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক্তা মীৎয়েং চংবীনবা য়ু.এন. অমসুং য়ু.এন.পি.ওদা মেমোরেন্দম সবমিট তৌখ্রে অমদি ময়াংখাং-সেনাপতি তুরেলগী খোঙনুংদা আইনা য়াদবা মওংদা শেমজিন শাজিল্লিবশিং লৌথোকবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি। মীমান্নদ্রবা অবদুল কাদির হাৎপদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা চৈরাক পীয়ু অমসুং নোর্থ ইষ্টদা আই কেয়ারগীদমক মোদুলর ও.টি. কমপ্লেক্স লৈবা রিমসনা অহানবা ওইরে হায়বা পাউশিংনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ক্লব ৯ গী মীফম পাঙথোক্তুনা ফুবালাগী থৌদোক অদু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে, চেন্নবশিং ফাগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌখ্রে অমসুং লৌমীশিংদা প্রোটেক্সন পীদুনা লৌ শুহনগদবনি হায়বা পাউশিংনা পোকফম পাউচেগী মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম.এল.এ রাম মুইভানা লম্লাংগেট ফাওদুনা চৎলিবা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী ফোর লেন ওইহন্নবা সেন্তরদা তকশিল্লুবদা সেন্তরনসু অয়াবা পীরক্লে হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------